**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 12-08-2025)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ১২-০৮-২০২৫, লৈবাকপোকপা)**

----

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) ৭৯ শুবা নিংতম নুমিৎকী মাংওইননা মনিপুরদসু ঙসি রাজ্য থাক্তা হর ঘর তিরঙ্গ কেম্পেইন পাঙথোক্কনি।

২) রাজ্য থাক্কী ৱার্ল্ড ব্রেষ্টফিদিং ৱিক ২০২৫ ঙসি পাঙথোক্লগনি।

**অমসুং**

৩) লাইরবগী পনখৈদা লৈরম্বা লৈবাক অসিগী মীওই লাক্ষ লিশিং ৩,০২০ রোম শাফবা ফীভমদা পুখৎলকখ্রে।

**------**

**তিরঙ্গ (এল)ঃ** ৭৯ শুবা লৈবাক অসিগী নিংতম নুমিৎকী মাংওইননা লৈবাক্কী মফম কয়াদা হর ঘর তিরঙ্গ কেম্পেইন পাঙথোক্লি।

কেম্পেইন অসিগী শরুক অমা ওইনা মণিপুর সরকারনা শিন্দুনা ঙসি ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা মণিপ্র ষ্টেট ফিলম দিভলপমেন্ট সোসাইতিগী ওদিতোরিয়মদা তিরঙ্গ কন্সর্টস পাঙথোক্কনি। থৌরম অদুদা

রাজ্যপাল অজয় কুমার ভল্লা শরুক য়াগনি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা শ্রী শ্রী বাল মুকন্দ দেভ ম্যুজিক কোলেজনা লৈবাক নিংবগী ঈশৈ শকপা, মণিপুর য়ুনিভর্সিতি ওফ কলচর অমসুং মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী মহৈরোইশিংনা উৎপা জগোই গভর্ণমেন্ট দান্স কোলেজকী মহৈরোইশিংনা উৎপা দান্স কোরিয়োগ্রাফিনা থৌরমগী মপুং ওইবা শক্তম ওইগনি।

**ডে(এল) ঃ** মণিপুরদা হয়েং অথৌবশিংগী নুমিৎ মপুং ফানা পাঙথোকবা শেম শাবা লোইরে। রাজ্যপাল অজয় কুমার ভাল্লানা লুচিংদুনা লৈখিদ্রবা মণিপুরগী অথৌবশিংগী মফমদা ইকাই খুমবা উৎকনি। মপুং ওইবা থৌরমশিং পাঙথোকফম-ইম্ফালগী মোইরাংখোমদা লৈবা হিচম য়াইচমপাৎ, পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা থাঙ্গাল জেনরেল মন্দির, কংলা উত্রা অমসুং মপাল কাংজেবুংদা লৈবা সহিদ মিনর নিংথিনা শেংদোকপগা লোয়ননা শেম শাবা লোইশিল্লক্লে।

নিংশিংবা য়াই, ইং ১৮৯১ দা মরৈবাক মণিপুরবু ঙাক শেন্নবগীদমক শোকখিবা এঙ্গলো মণিপুরী লানদা লৈখিদ্রবা লমদম অসিগী থৌনা ফরবশিংবু নিংশিংদুনা চহী খুদিংগী ওগষ্ট ১৩ অসি অথৌবশিংগী নুমিৎ পাঙথোক্কুনা লাক্লি। অথৌবশিং অদুনা লমদম অসিবু অমত্তা ওইনা অমসুং লমদম অসি ঙাক শেন্নবা থৌনা লৈনা শোকখিবা লান অদু নৌহৌননা নিংশিংদুনা মীয়ামা রাজ্য অসিগী অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন অদু ঙাক্কুনা থমবা ৱাশক লৌমিন্নরসি।

**ডে(এল) ঃ** রাজ্য থাক্কী ৱার্ল্ড ব্রেষ্টফিদিং ৱিক ২০২৫ ঙসি পাঙথোক্লগনি। দাইরেক্তোরেট ওফ হেলথ সর্ভিসেস মণিপুর অমসুং ষ্টেট হেলথ সোসাইটি নেসনেল হেলথ মিসন মণিপুরনা শিন্দুনা থৌরম অসি লম্ফেলপাৎ ইম্ফালদা লৈবা ইন্দিয়ন মেদিকেল এসোসিয়েসনগী হোলদা পাঙথোক্কনি। প্রাইয়োরিতাইজ ব্রেষ্টফিদিং ক্রিয়েট সস্তেনেবল সপোর্ট সিস্তেম হায়বা হীরমদা পাঙথোক্কদৌরিবা

থৌরম অসিদা হেলথ সর্ভিসেসকী দাইরেক্তর ডা.চন্বো গোনমৈ, নেসনেল হেলথ মিসন মণিপুরগী ষ্টেট মিসন দাইরেক্তর ডা.এম.দিনেশ সিংহ, ফেমিলি ৱেলফিয়র সর্ভিসেসকী দাইরেক্তর ডা.এন হেমন্তকুমার সিংহনচিংবা শরুক য়াগনি । থৌরমদুদা চাজেনবী নুপীশিংদা থুদোলপোৎ পীবা অমদি পোকপদা ঙাইরিবা অঙাংশিংবু মমাগী খোল্লাং পীথক্কগদগে হায়বসিগী মতাংদা অখঙ-অহৈশিংনা ৱা ঙাংগনি।

**কোবিদ (এল) ঃ** মণিপুরদা ঙরাংসু কোবিদ নাইন্তিনগী অনৌবা কেস অমত্তা থেংনখিদে। রাজ্য অসিদা হৌজিক এক্তিভ কেস ৬ লৈরি। চহী অসিগী জন্ ১ দগী হৌজিক ফাওবদা পুন্না সেম্পল লিশিং ১,৫৯৩ তেষ্ট তৌবদা মীওই ৩৬০ পোজিতিভ ওইবা থেংনখি। মসিগী মনুংদা মীওই ৩৫৪ নাবা ফদুনা দিচার্জ তৌখ্রে। হৌজিক এক্তিভ কেস ৬ লৈরিবা অসি হোম আইসোলেসনদা লৈবা মীওইনি।

**পুলিস (এল) ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী চীং অমসুং তম্পাক্কী চিংনবা মফমশিংদা এরিয়া দোমিনেসন অমসুং থিবা হুন্বগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি। অককবা পাউগী মতুং ইন্না মীয়ামদগী নমদুনা শেল খাইবা অমসুং হিংশাগী থবক থৌরমশিং থোকহন্নবা হোৎনবা মীওইশিং ফাবগী থবকসু লেপ্তুনা চত্থরি।

মণিপুর পুলিস কন্ত্রোল রুমনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়- সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং থৌবাল জিলাগী খোংজোম পুলিস স্তেসনগী মনুং চনবা তেকচম মনিং চীংদগী কে.সি.পি (পি.দব্লিয়ু.জি)গী মীওই অমা ফাখি। অহানবগী ওইনা থিজিনবদা মহাক পুলিস কম্মান্দোশিংদা নোংমৈ কাপশিল্লম্বা অমসুং এন.আই.টি ইম্ফালগী কর্মচারিশিংদা কিহনবগী থৌদোক্তা চেন্নবা মীশকি হায়রি। মঙোন্দগী মেগজিন য়াওবা পোইন্ট থ্রি টু পিষ্টোল অমা, কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরু ৫০,

ইন্সাস মেগজিন ৪ অমসুং মোবাইল ফোন অনি ফংলে হায়রি। নুমিৎ অসিমক্তদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা ইম্ফাল ইষ্টকী পুংদোংবম অৱাং লৈকাইদগী কে.সি.পি(অপুনবা সিটি মৈতৈ)গী মীওই অমা মহাক্কী ময়ুমদগী ফাগৎখি।

অতোপ্পা থৌদোক অমদা, হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা মণিপুর পুলিসনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী পোরোম্পাৎ পুলিস স্তেসনগী মনুং চনবা খুরাই চাইথবী লৈরক্তগী কে.সি.পি নোয়োনগী মীওই অমা ফাখি। মহাক লুপ অসিগীদমক খাবৈশোই এরিয়াদা মীয়ামদগী শেল খাইবদা চেন্নবনি হায়রি। মঙোন্দগী মোবাইল ফোন অনি ফংলে।

গারি নিয়ম লান্না থৌবশিংগী মথক্তা মণিপুর পুলিসনা দ্রাইভ চথবা লেপত্রি। ঙরাং মাওই ২১ ফাগৎপগা লোয়নননা লূপা লিশিং ৩৯ খোমগৎখি হায়রি।

**লাইরবা ঃ** লাইরবগী পনখৈদা লৈরম্বা লৈবাক অসিগী মীওই লাক্ষ লিশিং ৩,০২০ রোম ইং ২০১১-১২ অমসুং ইং ২০২২-২৩ গী মনুংদা শাফবা ফীভমদা পুখৎলকখে। ইন্ত্রা-হাউসহোল এলোকেসন ওফ রিসোর্সেস এন্দ চেঞ্জেস ইন পোভর্তি রেটস ওফ ফিমেল, মেল এন্দ চিলদ্রেন ইন ইন্দিয়া হায়বসিদা রিসর্চ তৌখিবা রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না লৈবাক অসিগী লাইরবগী পনখৈ ইং ২০১১-১২ দা চাদা ২৯.৫ ওইরম্বা অদু ইং ২০২২-২৩ দা চাদা ৪ দা হন্থরকখি। অদুম ওইনমক মান্নদবা চাকথুংগী ওইনা য়েংলুবদা লাইরবগী পনখৈ অসি ইং ২০১১-১২ দা চাদা ৩৪.৭ ওইরম্বা অদু ইং ২০২৩-২৪দা চাদা ১০.৫ দা হন্থরকখি।

**ঙাঃ** কেন্দ্রগী ফিসরিজ, এনিমেল হজবেন্দরিজ অমসুং দেরিয়িং মন্ত্রি রজিভ রঞ্জন সিংহনা হায়রি- হৌখিবা চহী ১০ অসিদা লৈবাক অসিনা মীরমদা ঙা থাদোকপগী চাং শিংথানিঙাই ওইনা হেনগৎখি।

নিউ দেল্লিদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা মন্ত্রিনা হায়- হৌখিবা চহী ১০ অসিদা ঙা থাদোকগী চাং লূপা কোতি লিশিং ৩০ দগী শরুক অনি থোকা লূপা কোতি লিশিং ৬০দা হেনগৎখি। মহাকা হায়-মহাক্কী মন্ত্রালয়না ১৬ শুবা ফাইনান্স কম্মিসনগী শেম শারিবা অসিদা ঙা থাদোকপগী চাউনা থৌদাং লৌরিবা রাজ্যশিংগী এক্সপোর্তরশিং অমসুং মীহুৎ কাংবুশিংনা মখোয় মখোয়গী ওইবা মোৎশিং পীবীরকউ।

**সংসদঃ** লোক সভানা ঙরাং তেক্সেসন লোজ(এমেন্দমেন্ট) বিল ২০২৫ অমসুং দ ইনকম তেক্স (নম্বর টু) বিল ২০২৫ ভোইস ভোটতা পাস তৌখ্রে। বিরোধি দলশিংনা বিহারদা স্পিসিয়েল ইন্তেন্সিভ রিভিজন এক্সরসাইজ অমসুং অতৈ হীরমশিংগী মতাংদা চরাংনবা থোক্লিঙৈ মনুংদা কেন্দ্রগী শেল থুম মন্ত্রি নিরমালা সিতারামননা বিলশিং অসি সভাদা পুখৎখি। ইনকম তেক্স(নম্বর টু) বিল অসিনা ইনকম তেক্সকা মরী লৈনবা বিলশিং শেমদোকপা অমসুং তেক্সেসন লোজ এমেন্দমেন্ট বিল ২০২৫ না ইনকম তেক্স এক্ট ১৯৬১ মখা তানা শেমদোকপা অমসুং ফাইনান্স এক্ট ২০২৫ শেমদোকবনি। ইং ২০১৪ দগী হৌনা সরকার অসিনা বিল অসি শেমদোক শেমজিন তৌরি। হোখিবা চহী ১০ অসিদা ইনকম তেক্স লো কয়ারক হন্না শেমদোকখ্রে।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মণিপুর এপ্রোপ্রিয়েসন অমদি জি.এস.টি বিল খন্নদুনা পাস তৌখিবা, লন্বী থোং কা-হেন্না ফত্তবগা মরী লৈননা হাই কোর্টনা সু মোটু কেস লৌখৎখ্রে হায়বা পাউশিংনা ঙসি ফোঙনরিবা পাউচে অয়াম্বগী মরুওইবা পাউশিং ওইরে।

ঈ.সি.আই অমদি বি.জে.পিনা ভোট হুরানবগী থৌওং চথৈ হায়দুনা

ওপোজিসন এম.পিশিংনা খোঙজং চংশিল্লিগৈ মণিপুর এপ্রোপ্রিয়েসন অমদি জি.এস.টি বিল পাস তৌখ্রে হায়বা পাউ নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

অমরোমদা, রাজ্য সভানা মণিপুর এপ্রোপ্রিয়েসন বিল ২০২৫ অমসুং জি.এস.টি বিল রিতর্ণ তৌখ্রে হায়বা পাউ অসিনা পোকফমগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মীতোপশিং মশাগী মরমদা হনখিনবা এম.পি সনাজাওবনা রাজ্য সভাদা পুখৎখ্রে হায়বা অমসুং এফ.এম.আর লৌথোকপগী নাগাশিংগী খোঙজং কনশিল্লক্কদৌরি, অকনবা খোঙজংগীদমক নাগা খুদিংমক শেম শারোঃ য়ু.এন.সি- হায়বা পাউ অসিনা সনালৈবাক্কী অহানবা অমসুং অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। য়ু.এন.সিগী প্রসিদেন্সিয়েল কাউন্সিলগী মীফমগা মরী লৈনবা পাউ- সেনাপতিদা ফোঙবা হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসকী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মণিপুরগী শলাক শারবা লন্বীশিং হাই কোর্টনা য়েংবা ঙল্লক্রে সু মোতু কোগনিজেন্স লৌরগা পি.আই.এল অমা লৌখৎখ্রে হায়বা পাউ অসিনা হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিমক সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনগীনা অহানবা, অদুগা সনালৈবাক, নহারোলগী থৌদাং, পোকফমগীনা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

ঙসি নোংম নিনিসিদা নেসনেল হায়ৱেশিংদা মৈতৈশিংনা হান্নগুম চখোক চৎশিন য়ারবা য়াই হায়বা এম.এল.এ সাপম কুঞ্জকিস্বরগী ৱাফম- সনালৈবাক্কী অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

এন.এন.পি.জিগী ৱার্কিং কম্মিতিনা আই.এমদা মরাল কয়া শিরক্লে। আই.এমনা পাল্লিবসি ইন্তাংকি রিজর্ভ ফোরেষ্ট লৌরগা নাগালেন্দ, মণিপুর অমসুং অসামগী কোরিদোরবু কন্ট্রোল তৌবনি হায়বা পাউ- হুইয়েন লানপাউগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

নেসনেল হায়ৱে-টুদা গারি লাকপা য়াদ্রিঙৈদা নেসনেল হায়ৱে-৩৭সু শলাক শারে, গারি লানবা য়ারক্তবা নুমিৎ ৫ নি শুরে হায়বা পাউ- সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী এদিসনগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

রাজ্য অসিদা হয়েং পেট্রিয়োটস ডে পাঙথোক্লগনি হায়বা পাউ- মণিপুর মেলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। নাগা পিপলস ফ্রন্টকী এম.এল.এশিংনা রাজ্যপালগা এফ.এম.আরগী মতাংদা খন্নখ্রে হায়নসু পাউচে অসিগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

কুকি ইনপি মণিপুরনা শিরকপা মরাল খুদিংমক থাদৌ ইনপি মণিপুরনা কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবা অমসুং শান্তি হঞ্জিল্লকপগী ৱাখল্লোনদা চপ য়ুংনা লেপ্লি হায়বা পাউ- পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ড্রগকী কেস অমগা মরী লৈননা মণিপুরগী পুলিস ওফিসর ৫ সস্পেন্দ তৌখ্রে হায়বা পাউ- গানফিউ মেলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর সেদ্যুল ট্রাইভস(এম.এস.সি.এস.টি)গী অনৌবা চেয়রপর্সন হুংয়ো ৱোরশঙনা ওইরগনি হায়বা পাউ- তামেংলোং তাইমসকী অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

মোৎহন্দনবা হোৎনরিঙৈদা নম্বুল তুরেলদা ফোঙনা ওকথি থাদরে হায়বা পাউ অমা- সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী এদিসনগী অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

**--পাউ লোইজরে--**